# লৈকায় ৱাথোক ওইগনবা

## মীনদি হায়নৈ নঙবু 'ননি-মখন' হুরানবা

ইন্দিয়াদি 'সেক্যুলর রিপব্লিক'নি। 'সেক্যুলরিজম' চৎলি। ৱাফমসি কন্সটিট্যুশনগী ফুমাইদা য়াম্না ময়েক শেংনা য়াওই। হায়বদি লৈবাকসিগী মীয়াম্না পামজবা, চৎনীংবা লাইনীং লন্বীদা চৎচবা য়াই। লাইনীং অমনা অমবু হন্থনা য়েংবদি য়াদে। মশাগী অপাম্বগী মায়োক্তা নম্ফুদা অতোপ্পা লাইনীং অমদা চৎহনবসু য়াদে। চহী খরগী মমাঙদগীসু মণিপুরদা মিংগী মমৈদা 'মীতৈ/মৈতৈ' অমসুং 'চনু' গা হায়বা ৱাহৈশিং শীজিন্নরক্তুনা হৌদোকমিন্নরকপা য়েহ্লৌ লাইনীংদা মায় ওনশিন্নবা হৌরকখ্রে। অদুবু ১৮শুবা চহীচাদা য়ৌশিল্লকখিবা লাইনীং'মসু অদুম্মক লৈরি। বৃটিশনা পাকথোক-চাওথোকহল্লম্বা লাইনীংসু লৈ। অতোপ্পা লাইনীংসু ময়াম লৈ। মণিপুর পীকচরবসু ফূরুপ-কাঙলূপ ময়ামগী মী মখল শুনা লৈদুনা 'মিনি ইন্দিয়া' ওইবগী হৌনবীনি, মচৎনি। লৈসনু। মশানা পামজবা লাইনীংদা চৎচবসি লোনা য়াদবা অমসুং অথীংবা পীবা থৌওং নত্তে। মী অমনা লাইনীং ২/৩গী থৌরমশিং পাঙথোক্লবা য়াওই। মশাগী ওইগেরা-ওইরোইরা 'লাই' নিবু হায়রবদি খুরুম-খারুম্নবা অমসুং থৌনিজবসু য়াই। অনীংবা-অপাম্বা'মা ফংনীংলকপদদি মশাগী লাইনীংগী ওইবা নৎত্রগা ওইদবগা মন্থিনদে। হেক্তা খুরুম্নে। কৈসু কায়দেদা। 'জগৎ' কী মবুংঙো 'শ্রীকৃষ্ণ' বু পামজনা খোইদাজদুনা শক-শোঞ্জবশিংনা থৌওইনা ঈশৈ ওইনগা ইদুনা লেংলগা পুথোকই 'মীনদি হায়নৈ নঙবু 'ননি-মখন' হুরানবা, লৈকায় ৱাথোক ওইগনবা নন্দগী মচা...'। মীগী লোলদগী হন্দোকপা হায়বদি ট্রান্সলেশন (অনুবাদ) তৌবা মওইরিদ্রা নৎত্রগা মীতৈলোলদা অদুম্মক ইরগা শক্লকপা ওইরমগদ্রা খঙদে। ওন্থোক্লা পাম্না অমসুং ফজনা শক্লে। 'কৃষ্ণ জন্ম' অমসুং 'ঝুলোন' নচিংবা থৌরম্ন চিংবদসু শকপ্রা খঙদে। 'শ্রীকৃষ্ণ' গী 'বাল-লিলা' নচিংবা শেম-শাদুনা পুথোক্লরকপগী মথক্তা 'জগৎ' কী মবুংঙোসিনা অঙাং ওইরিঙৈদা মঙাও থীনা হৌরকখিবা মতৌশিংবু শৈথাদুনা ইপেন্দা পেঞ্জনৈ। ইনুংদা নুংঙাইনৈ। পামজবশিংনা তৌজবনি, তৌজসনু। লম হেন্দুনা মখূৎ য়াওমনবদগী 'শুম্বলদা পুল্লে' হায়দুনা ফাওবা য়ৌনা শৈথারিবনি। অদুবু পূম্নমকসি লাইনা তৌবগী মহাকপু নীংজবশিংনা ইফদা-ফজনা অমসুং ইপেন্দ-পেন্থোকচবনি। মীনা লাই শাবদি লিলা, ড্রামা অমসুং সিনেমাদগদি মতৌনৈ। তাইবঙদদি য়াদে। মীনা লাই ওন্দুনা ওইবা য়াদে। মরম অসিনা লাইনা তৌবা খুদিংমক মীনা তৌবা য়াদে। লাইদি ওন্থোক্লা মঙাও থীখ্রবা ফাওবনা তৌথোরকপদা মাগী তুংইনবশিংনা পংয়াদা য়াবগী ৱাফম নত্তনা 'দোষ' ওইগদবা অমসুং পুগদবা থবক্তি তৌদে। 'অফবা থবক অমগীদমক হুরানবদি পাপ চেন্দে' হায়নবা'মা লৈরবা ফাওবদা লাইদি অরানবা তৌদে। অচুম্বদা তৌই। মসিমক্লা মীওই কয়ানা লাই নীংনরিবনি। শকচ-শোঞ্জরিবনি।

অদুবু লাইসু নত্তনা হায়বদি 'শ্রীকৃষ্ণ' সু নত্তনা কনানো'মনা লাই খুরুম্বদা চৈ কান্দুনা চঙশিল্লগা ফানখোঙ য়ৌশিল্লুই হায়ব্রা, কাখৎপা য়াদবা 'পরঙ্গন' (মাঙ্গোল) কাখৎলুই হায়ব্রা কৈনো সোশল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদগা ভাইরেল ওইরকখিব্রা, লাইশঙদুগী লাইমাংদুদা পাউগী মীফমগা পাঙথোকখিবদুবু কনা ওইরমগবা? লাইশঙদুদা লাক্তুনা খুরুমজরিদুবুদি ফৈ। লাই খুরুম্বা হায়বা'সিমক্তবু অনীংবা-অপাম্বা'মা ফংজ-থুংজনবনি। অদুবু থাংহৈদবা খোঙথাং'মা হেঞ্জিন্না থাংজিল্লগা খূকউ-খুদক কুন্থরুরিদুবু নীজখিবদু পীবিবগী মহুত্তা 'শাপ' ওইনা তৌরক্লগনা কমদৌবা? লাই অমসুং মাগী লাইশঙ, লাইশঙশিংগী মতুংইন্না খুরুম্বগী, হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী অমসুং থৌনিজবগী চৎনবীশিং লৈনৈ। হৌজিক্তি থেৎলিব্রা খঙদে। চহী খরগী মমাঙদদি থাংমৈবন্দগী 'ঈমা খুন্থোকহানবী' গী লাইশঙদদি অসি-অসিগুম্বা মীওইশিং হায়না পন্দুনা করি-করিনো য়াবা-য়াদবশিংগা পাউতাকপা থেংনখি। খুরুমগনু হায়বা নত্তে। খুরুম্লুরিবদুসু লাল্লে হায়বা নত্তে। ময়াম্না খুরুম্নরিবা পরিংদুগী মনুং চন্না অদুম খুরুম্বদা করি কায়গে? ৱারু-নুংলু থোক্নরমগদ্রা হায়বনি। 'শ্রীকৃষ্ণ' না 'ননি-মখন' হুরাল্লবসু, শুম্বলদা পুল্লবসু লাইসু ওইবা অমসুং চৎনবীগী পনখৈদগীসু লান্থোকপা নত্তবনিনা হরাওনা ইশি-শিখৈ নোক্তুনা অমসুং পামজনা ময়েংবনি। ঈশৈ ওইনা ফাওবা শক্তুনা শৈথাবগী ৱানি। মীনা তৌরুবদুদদি মরূ শিৎ-নান্না কোকথোল্লগা শুনু-য়াইঙং তৈরক্ত্রিদু ফরবনি। লাইনীংলোন্দগী হৌরগা চৎনবী পূম্নমক মীনা শেম্বনি। মীনা ঙাক্তুনা চৎকদবনি। লাই লাক্লগা ইল্লগদবা নত্তে। মীনা শেম্বশিংবু মীনা থুগায়ফম থোকপ্রা হায়বনি। মণিপুর পীকচবগী ৱানি। ৱাথোক-লান্থোক্লা হেক্তা পীক থল্লি। ৱাকচীংগী ১২নি পানবদা পাঙথোকপা ঈমোইনুগী ঈরাৎ থৌরমগী ফাওবা ঙাগী মেলা তৌবা য়ানি-য়ারোই হায়নরক্তুনা হেক্তা ৱায়াম্নে। লাই খুরুম্বা ফাওবদসু অদু তৌরোইদবদা তৌশিল্লম্লে, মতুং-মনাও তৌবীগনু হায়দুনা ফোঙদোক্লরকই। হায়রুরগদি কক লাওনা থেংনদুনা পানবা মীওইশিং য়াওরমদোইনি। মণিপুরসিদা মথোং খঙদবা অমসুং ৱাইওং চাদবা মীওইশিংগী মশীং ওন্থোক্লা য়াম্না লৈখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোকশিং খুরক হাঙদনা থোকই। লৈকায় অমসুং লৈবাক ৱাথোক হেক্তা ওইরকই। খূৎফম হঞ্জিন্নদবা য়াদবগী ফীভম মায়োক্লহল্লকই। হোয়নে, লাইশঙদা লাক্তুনা লাই খুরুম্লবা পূম্নমক্না পামজ-নীজবশিং মীয়াম্না লোইনা খঙবা হৌনদে। খঙফমসু থোক্তে। মাগী-মাগী পূক্নিং ৱাখলদা লৈজবনি। অদুবু সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকপা কেসকী ৱায়েল লুশিল্লকপা অমসুং অনৌবা লৈঙাক শেম্বগী ওইগেরা, লাইনা কুবিরকপা-কুবিরক্তবনা অমনি অঙম্বা 'দক্ষিনা' গা লোয়ননা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা খুরুমজবদি কায়দে। য়াম্না শাথীনা য়াইনা। অদুবু কৈদৌবগী য়াসু য়াদবা, তৌসু তৌনদবদুদা থোঙজিল মপাল য়ৌশিল্লুরিনো হায়বনিদা!! চোক্লম লাইমা চাখিদ্রে হায়নহল্লক্লিবা করিগীনো হায়বনি। ওন্থোক-ওন্থোকপা!! ফরেনে, শোয়খ্রে-লানখ্রেনা লৌরবা ফাওবদা মতুংদা লমদম্নরক্তনবা নীংথিজনা অমসুং তপ্না-ঈংনসু মহায়বিবা ময়াই। তপ্না ঙাঙনসি হায়রগা শেনবুংমুক হৌই হায়বদৌনা মন্দির মমাঙমক্তদা পাউগী মীফমগা পাঙথোরকইদুনা করি-করম্বা তঙাইফদবা লৈবদগী ওইবজাৎনো? মরৈ-তুরৈগী ৱাফম নত্তে। মশা-মশাগী স্মার্টফোনদা সোশল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিং শীজিন্নবগী খুদোংচাবা লৈজবনিনা অৱাই-অখুম হায়গদ্রা, ৱারৌ-পুক্লৌরকপা ওইগদ্রা নোং চুরগা থিগং পোপথোকই হায়বদৌনা তৌরকপগসু য়াওরকই। উন্নবা-ওনশিন্নবা য়াদবা হেক্তা চিক্না-ৱাইনবগী ফীভমদতা ওইরকই হায়বনি। হৌখ্রবনিনা হৌখ্রসনু। তুংদা হন্না থোরক্তবা ওইরসনু। তৌরক্লবসু 'শ্রীকৃষ্ণ' না পীক্লিঙৈ, অঙাং ওইরিঙৈদা তৌবা ময়ামদুদা 'ইশি-শিখৈ' পূক্নিং খোয়দানা য়েংদুনা লৈথোকপা অদুগুম্বগসু ওইরকপা ওইরসনু। মী-মীগী পূক্নিং-ৱাখল হায়বসি অমগা অমগা চপ মান্নৌ হায়বদি কদাইদগী য়াগদগে? অউনপোৎ য়াল্লকপী, মশক ফজবী মমৌনুপীনা শরেং থোংবদা থুমগী মহুত্তা চিনি ওইনা থাকচিল্লম্বদা 'হাউখ্রে-থুমখ্রে' না চাবা মনেম্বোকসু লৈ। মমৌনুপীনা মখোঙ খজিক্তং তপ্না থাংবদা 'মী ওইরোই লুহোং খোঙথাং তৌই' হায়বীবসু লৈ। খরা থুনা চৎলুরগনা 'হিংচাবীগী শব্দনি, লক্সমি চেল্লোই' হায়দুনা ঙাঙবীবসু য়াওই হায়বনি। অদুবু অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু পামজৈয়েনা 'কৎত্রিঙৈদা হান্না লৌই, পামজবীনি থম্বাল' হায়বগী থৌওংদুদি মতুংদা তৌরুরনু, শুম্নমক্তবোবা!! ফিরাল মমাই চুল্লিঙৈদদি মরুপ ৱাৎতবনে। অমম্বদদি নমি ফাওবা নঙবু থাদোক্লম্লগা চৎখিবনি কাউহন্নীংদে হায়বনি।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৬৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

অসিনসু লোইবা লৈখিদে। লোইবী চীঙশাং মখান লম। খারম খুচুঙ লমদা খুনদাবা। চীঙশাং নাপোম খুললিংবা। হেমবা হাওবা খাংচেল মঙা ফাংনা পালবা। চীঙলেল নাপোম খুদিংদা। মৈবী মৈরা মৈথাল মৈরিংবা। চীঙশাং নাপোম নাপাক থলনা খুলখিলবা। চীঙলেল নাপোমদা। পোৎলেল মনিল নাইনা পৈ। চীঙশাং খোইয়ুম য়ুথকনা য়ুঙাওনবা। চীঙশাং লম। লাংলেল কোঙয়াঙ ৱাথাবী লাৎ। শিংনৌ লশিং তোলথাং পুঙ। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯶꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯅꯤ꯫)

ꯑꯁꯤꯅꯁꯨ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯃꯈꯥꯟ ꯂꯝ꯫ ꯈꯥꯔꯝ ꯈꯨꯆꯨꯡ ꯂꯝꯗꯥ ꯈꯨꯟꯗꯥꯕꯥ꯫ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯅꯥꯄꯣꯝ ꯈꯨꯜꯂꯤꯡꯕꯥ꯫ ꯍꯦꯝꯕꯥ ꯍꯥꯎꯕꯥ ꯈꯥꯡꯆꯦꯜ ꯃꯉꯥ ꯐꯥꯡꯅꯥ ꯄꯥꯂꯕꯥ꯫ ꯆꯤꯡꯂꯦꯜ ꯅꯥꯄꯣꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯗꯥ꯫ ꯃꯩꯕꯤ ꯃꯩꯔꯥ ꯃꯩꯊꯥꯜ ꯃꯩꯔꯤꯡꯕꯥ꯫ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯅꯥꯄꯣꯝ ꯅꯥꯄꯥꯛ ꯊꯂꯅꯥ ꯈꯨꯜꯈꯤꯜꯕꯥ꯫ ꯆꯤꯡꯂꯦꯜ ꯅꯥꯄꯣꯃꯗꯥ꯫ ꯄꯣꯠꯂꯦꯜ ꯃꯅꯤꯜ ꯅꯥꯏꯅꯥ ꯄꯩ꯫ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯈꯣꯏꯌꯨꯝ ꯌꯨꯊꯛꯅꯥ ꯌꯨꯉꯥꯎꯅꯕꯥ꯫ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯂꯝ꯫ ꯂꯥꯡꯂꯦꯜ ꯀꯣꯡꯋꯥꯡ ꯋꯥꯊꯥꯕꯤ ꯂꯥꯠ꯫ ꯁꯤꯡꯅꯧ ꯂꯁꯤꯡ ꯇꯣꯜꯊꯥꯡ ꯄꯨꯡ꯫ ●

# শ্রীশ্রীগোবিন্দজি নীংজবা, খুরুম্বদা পোলিটিক্স!



হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৮৮

জিতেন নামৈরাকপম

মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈরম্লবা মতুং প্রসিদেন্টস রুল থম্লকপা চহী অমা ফাজিল্লক্কদৌরে। হৌখিবা চহী ২০২৫গী ফেব্রুৱারী ১৩দগী প্রসিদেন্টস রুল থমখিবা অদু লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদবা, লৈবাক কাং-খোঙ চাইদুনা অমগা অমগা মুক্নবা, ঈরাং কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগীনি। ইশম শম্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশননা পীরিবা থৌদাং ঙাকপা ঙমদবা, মেছিন্নরি ফঙ্কশন ফেল ওইরকপদগী আর্টিকল ৩৫৬ থমজিল্লকখিবনি।



মণিপুরগী গভর্ণরনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা থারকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মণিপুর ষ্টেটকী লৈঙাক ফেল ওইরবনা পি আর থম্লগদি লো এন্দ ওর্দর ফরক্কনি, নোংমৈ কাপ্পবা, মীহাৎ মীপূন তৌবা য়াররোই, খুদক্তা কন্ট্রোল তৌগনি, কাঙলূপ-কাঙলূপ চখোক-চৎশিন তৌবদা থিংবা য়ারোই, ফ্রী মুভমেন্ট ওইহনগনি, ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা চংজফম লৌদুনা লৈরবশিং ময়ূম-ময়ূমদা চংহন্দুনা ঈংন-চিক্না লৈহনগনি, পি আর থম্লগদি লমহেন তুহেনবা, কাতু-কারন তৌবা অমত্তা য়াররোই, লমহেনবশিং কিদুনা চেন চেন্দুনা লোৎনখ্রগনি হায়না মীয়াম্না খন্নরুবনি। পি আর থম্লকপদগী নোংমৈ ফাওবদি কাপ্পদ্রে। ঈরাংবুদি হন্থরক্লে। অদুবু হৌজিক ফাওবা লাঞ্জেন্নরিবশিং মপূং ফানা ময়ূম ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙমদ্রি। কাংপোকপী ফাওনা মীতৈ মচা অমত্তনা অকি-অখং য়াওদনা চৎপা ঙমদ্রি, কুকিনা থিংলি। কুকিনা 'বফর জোন', 'রেদ জোন' হায়না লাউবদা পি আরনা, আর্মিনা করিমত্তা হায়দে, ফ্রী থাদোক্লি। মীতৈ চঙবা, চৎপদা আর্মিনদুম থিংজিল্লি। কুকি ঙাক্লবা থারকপা আর্মিগা মান্নখ্রে। পি আরনা কল্লিবসি তম্পাল্লমখক্তদনি। লোসু মঙায় তম্পাক লমখক্তদনি চৎনরিবা। কনানোমনা করিনোমা হায়জি ল্লুচো-কুইরোই ফাগদবগী কোয়তান তান্নরক্কনি। অহিংগা নয়ূমদা তূম্বা ফংবগী ৱা লৈতে। কুকিনা ঙাঙলিবা, লাউরিবা মদুসু আইননা য়াদবা লৈঙাক্কী মায়োক্তনি। হৌজিক ফাওবদা অসিগুম্বা কারন তাবা কুকি কনা ফাখ্রবগে? অদুনদি চৎনরিবা পি আর অসি জোকরগী লৈঙাকনি হায়নফাও ঙাঙনরক্লে। এন বিরেননা লুচিংলম্বা লৈঙাক লৈবাক ঙাকপা ঙমদ্রে, শান্তি পুরক্কনি হায়বদু পুরা ফেল ওইরে। অদুনদি পি আর অসি অমুক লৌথোল্লগা, ৩৫৬ অসি সস্পেন্দ/রিভোক তৌরগা অতোপ্পা পি আরদগী হেনবা কনানোমা, করিনোমানা অমুক লৈঙাকহনবা চুম্লব্রা?

শোমদবুদি পি আর থম্লকপা চহী অমা ফারক্কদৌরে। চহী ফাখ্রগদি এসেমব্লি মেম্বরশিং শিরুম-নারুম হিংলিবসি পুরা শিহনখ্রগা, মুত্থৎখ্রগা অকনবা পি আর শাংথরক্তনবা ফেব্রুৱারী ১৩ ফাওবগী মমাঙদা অনৌবা লৈঙাক অমা শোয়দনা শেম্লগনি হায়না কন্না লাংনরি। মফম খরদদি খোইরেল মসা পাইনরে। অদুবু ওইববু ওইগদৌরিব্রা? লৈঙাক শেম্নি, লৈঙাক শেম্নি, তাং অদুদা, থা অদুদা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়খিবদু তামল্লদনা তানীংলক্ত্রে। লনশোৎপীগী পাউখুম ৱাৎতে। কৈথেল ফম্বীনা শকপা ৱাশক্কা ঐখোয়' এম এল এশিংগা করবার পুনমিন্নবগা মান্নখ্রে। অমনা হেন্দে, অমনা তাদে। তৌবগীবুদি ঐখোয়গী এম এল এশিংগী টর্ম চহী ৫ শুরগা এসেমব্লি ইলেক্সন তৌরক্কদবা চহী অমরোমদং ঙাইশিল্লক্লবনিনা মসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা শেমহৌদবা তারগদি মথংগী ইলেক্সনদুদা বি জে পিদা ভোট লেপ্পীনবা কেন্দিদেট থিবা ফংলরোই হায়নরক্লি। থম্বালগী ফিরালনা হাইনা হুম্না পাইরম্বদু অতোপ্পা ফিরালনা মহুৎ শিনখ্রগনি। মরম অদুনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী থাগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক শুংশোয় শোয়দনা শেম্লগনি হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি। থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউ হায়রিবসি কনানা কনাদা হায়রকপনো হায়বা ঐসু খঙদে। পাউচেদা অদুম্মাইনা অদুম ইনৈদেনা-হো! অদুনি।

করিগুম্বদা তোকঙারা করিনো, শন্দোরক্লিবা পাউ অসিনা অচুম্বা ওইরগদি কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইরক্কনি? সী এম ওইনীংবদি মঙা/তরুক্কী মমিং তাখ্রে। তরুক্তা নত্তে, তরেৎ/নিপাল/মাপন/ তরা ফাওবা শুরে। ভোট কাখিবা নুপাসু, নুপীসু লোইনা ওইনীংই। মতিক চাবা চাদবা, লৈবাক পুবা ঙম্বা ঙমদবনা অমনি। চীফ মিনিষ্টরগী মীংথোল অমুক্তং ফংহৌরবদি লোইরে কৈনো! সী এম ওইরক্লবগা মরী লৈনরমগদ্রা লৈনরম্লোইদ্রাদি খঙদে নহান এক্স চীফ মিনিষ্টরনা শ্রীশ্রীগোবিন্দজি খুরুম্লবগী থৌদোক্তু "চীফ মিনিষ্টর অমুক্না ওইজগে শ্রীশ্রীগোবিন্দজিনা থৌজাল পীবিয়ু, মীনু চঙহনবীগনু, হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইজরম্বা ঐ মোদিনা, অমিট শাহনা রিজাইন তৌথোল্লগা মতম খরদং য়েংখিসি হায়রকপনি ঐনা ওইফম থোকই প্রভু" হায়না খূৎ লোন্নদুনা দন্দবোৎ তৌরমগদ্রা? ওন্থোকপগী মতৌ হায়বদুনি মণিপুর, মীতৈ মচাশিংসি লাই খুরুম্বা ফাওবা ভাইরেল চৎলি। শ্রীশ্রীগোবিন্দজিগী মাঙ্গোল 'পরঙ্গন' হায়ব্রা মদুদা কাখৎলগা লাই খুরুম্বা ফাও পুজারি, সেবায়েট, সেবারিনা কনা'মত্তনা তৌবা য়াদবনি। তৌহৈদবনি হায়না লৈবাক পুংজাও থিনবগী মওংদা অমুক লাউথোরকই। ইকুই কুইদনা মণিপুরদা লাক্লম্বা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু ফাওবা কাখৎলগা খুরুম্লমদে, মীনা তৌনদবা/তৌবা য়াদবা অমা এক্স সী এমনা তৌরম্লে অসিনি।

মসিনা ৱাথোক লান্থোক অমুক ওইরকই। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ফাও মাঙ্গোল কারমদে হায়রিবদুনা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী চাউবা (ফমথোন্দা) মাফাও কাবা য়াদে হায়বনি। অদু ওইবা তারগদি প্রসিদেন্টতগী হেন্না চাউবা অমমুক লাক্লগদি মাঙ্গোলদা কারগা খুরুম্বা য়াগদৌরিব্রা? নৎত্রগা কনা'মত্তা মাঙ্গোল কাবা য়াদে অসিরা? মসি গোবিন্দজি খুরুম্বদা পোলিটিক্স তৌশিল্লকপনি। মসিগুম্বসি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা নাগাসু, কুকিসু, মীতৈ-পাঙলসু অমত্তা তৌনদে। করিসু নত্তবা পোৎ অমদা, থৌদোক, ফীভম অমদা ক্রক-ক্রক য়েংশিন্নবসি মীতৈশিংনা মহেল্লে। অসোমদনা কুকি এম এল এ তরানা লৈঙাক শেম্বা য়াওবা য়ারোই হায়না কুকি থিংজিন লূপ আই টি এল এফ, কুকি জো, কোট্টু, কুকি হ্যুমেন রাইটস, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেশন কনা কনানো পংথিংদা থিংজিল্লি। থিংজিনগে থিংজিল্লু থিংজিল্লোই তোকউ, মিনিষ্টর ওইজৌ হায়বা য়াদ্রগা ট্রাইবেল এম এল এ নাগানা মিনিষ্টর ৫/৬ ওইজখিনি। কুকিদনি মাঙজগদবা। কুকি য়াওদ্রগা মণিপুরগী লৈঙাক শেম্বা য়ারোই হায়বগী আর্টিকল, ক্লোজ অমত্তা কন্সটিট্যুশনদা য়াওদে। লৈঙাক শেমখ্রগা টর্ম শুদ্রি ফাওবদি কুকিনা য়েংলগা লৈহৌবা তাবনি।

লোইশিল্লমদাইসিদা ঙসাইগী লাই খুরুম্বদা শ্রীশ্রীগোবিন্দজিদা দন্দবোত তৌবদা মাঙ্গোলদা কাখৎপা য়াদে হায়বদুদা করি করিনো হায়নীংলক্লে। মীনা চীফ মিনিষ্টর ওইনীংলকপদগী নীং-খাতম্না খুরুমজবদা ৱাথোক লান্থোক ওইহল্লগা সেবারীনা লাই পায়বদি য়াব্রা? গোবিন্দজি মফি হোংদোকপা লাইবুং মনুংদা তৌবা, বামোন পুজারি, সেবায়েটশিংনা তৌরিবদু মীচম অমনা হেক্তা তৌবা য়াবা নত্তে। লাই খুরুম্বদা মাঙ্গোলদা কাখৎপবু কৈদৌরগে? থনানা ফাগদ্রা? মপান লমদদি লাইগী মখোঙ কোল্লগা খুরুম্নরিবনি। মতাং অসিদা কৈনোমদুম নীংশিংলক্লে - য়ূমদা কৎপা উসব অমা য়াওরুবনি। কুইরে। নীংশিংলকপনি। লাই সেবারি ঐজ্ঞা, বামোননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভু লেঙবীরক্লগা খুরুমজবা ভক্ত-ভক্তী পূম্নমক হৈ-লৈ, শেঞ্জা কৎপা লোইরদুনা লাই লেঙখিনবা থৌরাং তৌরে। ফৈজোম শেৎপা নুপা, পুমঙৌ ফনেক শেৎপী নুপীনা লাইগী মতুং ইন্নরগা কাংশি খিংলগা থিনবদু থোক তোকথোকখ্রগা ঐজ্ঞা বামোন অদুনা মথন্তনা শ্রীশ্রীগোরচন্দ্র মহাপ্রভুদু ওইগী পাম্বৌম শেগাদা কোল্লগা কাংশি কাং-কাং খিংলগা মথন্তা থোঙ্গাল তম্না থোকখ্রে। মদৈদি ঐজ্ঞানা লাই অদু শেগাদা কোল্লগা, কাংশিদু ওইগী খূৎনা পায়রগা এক্টিভা তোংখৎতুনা পাইদুনা থৌখিবু...ৱা! ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ১৩৭

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

**(খ) কুরাক লমদাইবা (কুমলাৎ লমতাইবা) :-** লৌউ-শিংউবগী মফম ওইরিবা খুঙ্গংগী লমশিংদা পোইনু লৌ লোইবদগী মথং চহীগী ইঙা থা ফাওবা ষণ-ইরোইনচিংবা থাদোক্নরম্বা মতম অসিবু ঔরী থাবা হায়বদি থৌরী থাদোকপা, থৌরীনা পুনশিন্দুনা থমদবা হায়বসিবু কৌনরম্মী/খঙনরম্মী। ইঙা থাদা নুমিৎ থবান অফবা, লাইচা-তিনচা অফবা য়েংলগা কুরাক লমদাইবা (কুমলাৎ লমতাইবা) হায়বা থৌরমসি লৌউ-শিংউবনা মপূং ওইনা শিনফম ওইবা খুঙ্গং লৈকায় খুদিংমক্তা লৌউ-শিংউবা, মহৈ-মরোং থাবা হৌরগদবনা শা-ষণ ইরোইনচিংবা থাদোকপা য়াদ্রে, শা-ষণ লোয়বা য়ূমশিংনা মখোয়গী শা-ষণশিংবু থৌরীনা পুনশিন্দুনা থম্নবা, ঙাক শেন্দুনা থম্নবা খঙহনবা হৌবা মতমদুবুনি।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবদি কুম অদুগী লৌউ-শিংউবগী থবক তৌবদা মহৈ মরোং চুম্না, ফনবা, লৈকায় খুঙ্গংশিংদুদা ষণ-ইরোইনচিংবা অশি-অনা থোকহনবীদনবা খুল লৈকায়শিংদুবু কোনবীরিবা কোনবীরিবী চীংঙু খোইয়ুম লাইয়িংথৌ য়োইবু খোইমোম লাইরেম্বীশিংদা ফৌ অমদি মহৈ-মরোং থাদুনা পুথোক্কদবশিংনা কৎচনীংবা ওক, য়েন, ঙা, মনা-মশিংশিং চেঙগা কোন্ননা কৎলবা মতুংদা মদু কায়থোল্লগা পূন্না থোংলগা লৈকায় খুঙ্গংদুগী অঙাং নুপা মচাশিং, পাখং মচাশিং, শারেপ ফারবা পাখংশিং হরাওহন্নবা পীজ পীথক তৌনরম্বনি।

**হৌজিক্কী ওইনা হোংলক্লিবা ফীভমগী মতাং :-** মতমগী হোংলক্লিবা ফীভমগী মতুংইন্না থমনীংবা ৱাফম অমদি চাবীনবা মীশিং মতমদুদদি য়ামদ্রিঙৈ, লৌবুক লম্মাং য়াম্না মরাং কায়না অমদি য়ূমদা লোয়বা ষণ ইরোইনচিংবা মশীং য়াম্না লৈনরিঙৈদা লৌউ-শিংউবগী থবকশিং হৌনদ্রিঙৈদা পংথা থাদোল্লগা থম্নরম্বা মক্তনি। মতমদুদা চহী অমদা লৌরোক অমুক্তং ওইনা পানবদুনা চাবা লেম পানা কোন্নরম্বদু, হৌজিক্তদি চাবীনবা মী মশীং য়াম্না হেনগৎলকপগা, লৌবুক লম্মাংগী শরুকসু নোংম-নোংমগী পীকশিল্লকপনা তঙাইফদনা লৌরোক অনীরক অহুল্লক পানবগী মথৌ তারক্লে। ষণ-ইরোই হান্নগুম শীজিন্নবগী মথৌ তারম্বদু খূৎশেম্না পুথোকপা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায়শিংনা অয়াম্বা তপ্না-তপ্না মহুৎ শিল্লক্লে। নাকল অমরোমদা অমুক, ষন্থি-ষণয়ুংদগী শেম্বা মহৌশাগী অফবা হার ফংনবগীদমক ষণ-ইরোইনচিংবগী মশীং অদুমক হন্থদনা থম্বগী মথৌ তারকপগা লোয়ননা শা-ষণনচিংবগী শঞ্জাবুংসু মশীং য়াল্লক্ত্রবনিনা ঙাইহাক থাদোল্লবসু পুন্দুনা থল্লগা থাকপগী মথৌসু তারক্লি। অমবু ওইরবসু, লৌউ-শিংউবগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমহনবীনবা মতিন মকাং শাথীবা, অকনবশিং তাহনবীদনবা, শা-ষণশিং অশি-অনা থোকহনবীদনবা লৈকায় খুঙ্গংশিংদুবু কোনবীরিবা কোনবীরিবী খোইয়ুম লাইয়িংথৌ অমদি য়োইবু খোইমোম লাইরেম্বীশিংদা মথক্তা পনখিবা কৎপা য়াবা পোৎলমশিং কৎচরগা থৌনিজবগী মথৌদি অদুমক তারি। মসিনা মরী লৈনবশিংদা শুবা নোম্বা কনবদগী কান্নবা ফংবগা লোয়ননা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা হায়বা কান্নরবা থৌওং থৌশিল ওইহনবা ঙমগনি।

**ইঙেল থাদা পাঙথোকপা থৌরমশিং :-** (ক) শামি কৌবা : ইঙেল থাদা লৈকায় খুঙ্গং খুদিংমক্তা শামি কৌবা হায়বা থৌরম পাঙথোক্লরম্মী। মসিগী ৱাহন্থোক্তি কাওরেন শল্লাই তাদনবা হায়বদি শা-ষণ ইরোইনচিংবা লায়না-লাইচৎ চঙদনবা মখোয়গী মথৱায় মমি কৌশিনবনি। ইঙেল থাদা শামি কৌবগী থৌরম পাঙথোকপগী মতাংদা অরিবা লাইরিক "থালোয় নোংখায়লোন"দা অসুম্না ইরি "কাওরেন শল্লাই তাগনো, মানবী খুমাঙ শোনগনো, কাওরেল খুজীল কেনগনো, মুকমু শনলাই তাগনো হায়না কাওরেল শামি কৌনা কুমরাৎ মিকৌ থানৈ।"

**(খ) অহোং খোং চিংবা :-** অহোং খোংচিংবা ইঙেল থাদা পাঙথোকপসি লাইনিংথৌ সনামহীবু লেংদোং পাম্বে ফৈরাথক্তা লেংশিনহন্দুনা খুঞ্জাও লৈচাওনবা লাইলম থোকপদা মীয়াম হুপ্না খুরুম্নবা থৌরম অমনি।

লাইশ্রম সুভাকরন ৱাংজিংদা লৈবনা ইবা "মীতৈগী হরাও কূম্মৈ মখল খরা" হায়বা লাইরিকসিদা মীতৈ লৈবাক্তা কাং চীংবা অহোং খোং চিংবা থৌরম অসি খৃ: ৪২৮-৫১ (শকাব্দা ৩৫০-৪৪০) দা পাল্লম্বা মৈদিংঙু নাওফোংবা/নাওফংবগী মতমদগীনা খৃ: ১৬৯৭-১৭০৯ (শকাব্দা ১৬১৯-১৬৩১) ফাওবদা পানখিবা মৈদিংঙু তুপী চরাইরোংবগী মতম ফাওবা তৌরম্মী হায়বা ৱাফম "খোংচিনলোন" কৌবা পুয়াদা য়াওই অদুবু মসিগী মতুং কাইনথংদদি কাং চিংবা হায়না ওন্থোকখ্রে হায়বা পণ্ডিট অমনা পীবা মতকী মতাংসু পল্লি।

স্কোলর (মীরোল) ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রগী "সনামহী লাইকন্দা- ইনাৎকী শক্তমগা লোয়নবা হরাও কুম্মৈশিং" হায়বা লাইরিকসিদা অহোং খোং চিংবগী মরমদা ইরম্বা ৱাফমগী মতাংদা হুইয়েন লানপাউগী কলমনিষ্ঠ ওইবী ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনীনা পাউচেসিগী জুলাই ১, ২০২৫দা ইখিবা মাগী ৱারেংদা অহোং খোং চিংবগী ৱাফম পল্লকপসিনা হেন্না মরী লৈনব্রা হায়না খঞ্জে। মহাক্না ইরকপা ৱারেংসি অদুক পারুবদা (অহোং) খোং চিংবগী পাঙথোল্লম্বা থৌরমসি চাওরাক্না মখল অহুম থোক্না খায়দোল্লগা নৈনবা য়াব্রা খঞ্জে।

অহানবদা, অহোঙ পুঙ থোনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা থৌনা ফবা মীশক অদুবু "অহোঙবা" হায়বা মিংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নে। হায়রিবসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম হায়বদি মৈদিংঙু নাউফংবা (নাওফংবা/নাওফোংবা) না পানবা মতমদা শা-লান কনবা মতম ওইবনা শা য়াম্না ফাবা ঙম্বা অমদি লান চৎলুবদা লানঙম ফিরাল থেৎপা ওইনা য়েক্লবগী মঙক কল্লগা খুদোল ওইনা পুরকপা মঙক্তুগী মথক্তা লৈপুঙ থোল্লগা পাঙথোকপা কুম্মৈদুদা তিল্লরিবা মীপূম খুদিংমক পীজ পীথক্তুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী পাঙথোকপা কুম্মৈদুবু অহোং খোং চিংবা হায়না খঙনবা থৌরম অমা ওইবা। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৯গী ৱাহং

১) "নুঙঙৌগী তেংথাখোল" হায়বা লীলা অসি করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "টৈররিষ্টকী ধর্ম্ম লৈতে কাঙলূপ জাৎ কুচু খায়দে
টৈররিষ্টতি ঈশিংগুম্বনি থুমহী চেনবা নৎত্রগা চেন্দবা।"

শৈরেং মতেক অসি "অনৌবা মহত্মাশিং" হায়না মিংথোনবা শৈরেং অদুগী অহৌবা পরেংনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং ইয়ু।

৩) "মমি শাল্লক্লবা লম্বী" কৌবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) "চিংঙু খোয়ুম অচিবনা কংলৈপাক ঙাক শেন্নবা মতিক মথৌনা লৈবা কংলৈ অমা পুথোক্কে খল্লদুনা পান্থোইবীগী লাংওন ওইরিবী লৈনুং চাখা য়াবিরোকপু কংলৈদা পুরক্লগা ময়াথং পীরম্মী।"

ৱাহৈ পরেং অসি লৌথোরক্লিবা লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৫) "পহলা রাজা" হায়বা হিন্দিগী লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।